# মৈরাবা হঙ্গেরিয়ন ইন্টরনেসনলগী ম্যেন দ্রোগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



বুদাপেষ্ট, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): হঙ্গেরিগী বুদাপেষ্টতা পাঙথোকপা ৪৬শুবা ভিক্টর এফ জেদ ফোর্জা হঙ্গেরিয়ন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং ম্যেন দ্রোগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অদুদা মৈরাবনা অহানবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী গ্রিগোর এলিক থোইরমখি। অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী যূম্বু হঙ্গেরিগী মার্টোন সেরেকপু ২১-১৪, ২১-১১দা থোইরবা মতুং ঙসি অয়ূক অঙনবদা শান্নবা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মৈরাবনা ফিনলেন্দগী শান্নরোয় জোকিম ওলদোর্ফপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-১২দা মায় পাক্তুনা ম্যেন দ্রোগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা ম্যেন দ্রোগী অহানবা রাউন্দদা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা স্লোভাকিয়াগী মিলান দ্রাটভাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদু হৌবদগী হৌনা মৈরাবনা পোইন্ট মাঙজিল থারগা চৎখি। গেম অদু ২১-১৪দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেমদা মিলান দ্রাটভানা হৌরকপদা পোইন্ট ২খক হেল্লগা লৈখি। অদুবু মৈরাবনা ফজবা মওংদা পাউখুম পীরক্তুনা গেম অদু পোইন্ট ১৩-৯দা হেল্লগা লৈরিঙৈদা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় অদু মখোঙ শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা রিটায়র্দ তৌখি। মৈরাবনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় দেনমার্ককী কিম ব্রুনগা লম্বা তৌনগনি। ব্রুননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী লুকা মিলিকপু ২১-১৭, ১৯-২১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৫শুবা সিদেদ অলাব মিশ্রা শ্রি লঙ্কাগী বুৱানেকা গোনিথিলেকাগী মখূৎতা ২১-১৪, ১২-২১, ১৬-২১দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সটিশ কুমার করুনাকরননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা ফিনলেন্দগী জুনাস কোর্হোনেনবু ২১-১২, ২১-১৭দা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রভু য়াদব চিতাবোইনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী ইভান রুসেবকী মখূৎতা ১৯-২১, ২১-১৩, ১৮-২১দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী মায়কৈদগী অদ্য ভরিয়াদ, লিকিথা শ্রিভাস্তবা, অদিটি ভাট্ট অমসুং তানিয়া হেমনসু শরুক য়ারি। লোয়নননা নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী উটকর্স অরোরা অমসুং অক্সন সেথি অমদি অতোপ্পা প্যের সন্তোশ রাজেন্দ্রন অমসুং কাথিরাবুন মনিভারনসু শরুক য়ারি।

# অকাশ কুমারনা ৱর্ল্ড বোক্সিংদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে



বেলগ্রেদ, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): সর্ভিয়াগী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোকপা কে আই বি এ মেন্স বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অকাশ কুমার সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে। কিলোগ্রাম ৫৪গী কাঙলুপ্তা অকাশ কুমারনা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা বোক্সর ওইনা সেমীফাইনেল য়ৌখিবনি। অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি।

মশাগী চহী ২১ শুবদা ঙাইরিবা অকাশ কুমারনা ইহান হানবা সিনিয়র ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ওইনা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না ঙসি অঙনবদা কজাখষ্টানগী মশাগী চহী ১৯ শুবদা ঙাইরিবা মখমুদ সাবির খানগা লম্বা তৌনখিবা সেমীফাইনেল বাউট অদুগী রাউন্দ অহুম্মক্তা বাউট অদুগী জজ মঙামক্না সাবির খানদা পোইন্ট হেন্না পীখিবদগী অকাশ কুমার ০-৫দা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। অকাশ কুমারবু মায়থীবা পীরম্বা মখমুদ সাবির খান য়ুঠ লেভেলগী থাক্তা এসিয়াগী গোল্ড মেদল অহুল্লক ফংবা ঙমখ্রবনি। অকাশনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা ঙরাং ক্বার্টর ফাইনেলদা হান্না ওলিম্পিককী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ভেনিজ্যুএলাগী বোক্সর য়োৱেল ফিনোল রিবাসপু ৫-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

ঙসি মায়থীরবা অকাশ কুমার থারগা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ৭শুবা মেদল ফংবা ঙম্বা বোক্সর ওইবা ঙল্লি। অতোপ্পা মমাংদা মেদল ফংখিবশিং অদুদি বিজেন্দ্র সিংহ (ব্রোঞ্জ, ২০০৯ মিলান), বিকাস কৃষ্ণন (ব্রোঞ্জ, ২০১১ বাকু), শিব থাপা (ব্রোঞ্জ, ২০১৫ দোহা), গৌরব বিধুরি (ব্রোঞ্জ, ২০১৭ হেমবর্গ), কুমজা ২০১৯দা য়াকাটেরিনবর্গতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড মেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী অমিট পনঘলনা সিলভর ফংদুনা খ্বাইদগী ফজবা রেকোর্দ ফংবা ঙল্লি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা অতোপ্পা বোক্সর মনিশ কোশিকনা ব্রোঞ্জ ফংখিবনি।

# ইংলেন্দগী লিভরপুল অমসুং নেদরলেন্দসকী এজাক্স প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে




লন্দন, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নবা গ্রুপ মেটচশিংদা ইংলেন্দগী লিভরপুল ক্লব অমসুং নেদরলেন্দসকী এজাক্স মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

লিভরপুলনা গ্রুপ বিদা ঙরাং স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদকা যূম্বু ওইরগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদু লিভরপুলনা ফজবা হেন্দুনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। শান্নবগী মিনট ২১গী মনুংদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী দিওগো জোটা অমদি সাদিও মানেনা ঙন্না পাঞ্জল ২ চনশিনদুনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু কন্না প্রেসর পীশিনখি। গ্রুপ বিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ফিলিপনা লিভরপুলগী সাদিও মানেদা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফরিনা ফিলিপপু রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। লিভরপুলনা অনীশুবা হাফ অদুদসু শান্নরোয় ১০দা ঙাইহৌরবা এটলেটিকোগী মায়কৈদা প্রেসর পীশিনবা ঙমখি। অদুবু মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনখিদ্রবসু মায় পাক্তুনা গ্রুপ অসিগী খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জর্মনিগী সিটি দোর্টমুন্দদা ঙরাং শান্নখিবা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্স অমসুং জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদু এজাক্সনা ৩-১দা থোইবা ঙমখি। গ্রুপ সীগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৩৭শুবা মিনটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী মার্কো রুসনা চনখি। অহানবা হাফকী মতুং ৭২শুবা মিনটতা এজাক্সকী দুসান তাদিকনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। ৮৩শুবা মিনটতা মখা তানা এজাক্সকী এস হালরনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-১দা হেনখিবা অদুমখা তানা টিমমেট দেবি ক্লাসেননা ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা চল্লগা ৩-১দা থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

গ্রুপ এদা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং বেলজিয়মগী ক্লব ব্রুগে লম্বা তৌনবদা সিটিনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা গ্রুপ অদুগী মাঙজিল থারি। মেটচকী ১৫শুবা মিনটতা সিটিগী ফিল ফোদেননা পাঞ্জল ১ চনখি। অদুগা ১৭শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী জোনষ্টোন্সনা শোয়বদগী খেৎচিনখিবা বোলনা ক্লব ব্রুগেগী ইক্বেলাইজর ওইহনখি। ৫৪শুবা মিনটতা মখা তানা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী রিয়াদ মহারেজ, ৬২শুবা মিনটতা রহিম ষ্টর্লিং অমসুং ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা গেব্রিএল জিজসনা পাঞ্জল ৩ হাপচিল্লগা ৪-১দা থোইখি।

গ্রুপ অদুমক্কী ঙরাং শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্রান্সকী পি এস জি অমসুং জর্মনিগী আর বি লৈপজিগ পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। লেপজিগকী মায়কৈদগী নুনকুনা ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা হৌখি। শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা পি এস জিগী ৱিস্নালদমনা ইক্বেলাইজর চল্লগা ৩৯শুবদা পাঞ্জল ১গা চনখি। অদুবু ইঞ্জুরি টাইমদা লেপজিগকী জেবোস্লাইনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী মেম্বর ওইরম্বতা নৎতনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরম্বা এলাংবম শশিকান্তনা মশাগী ময়ূম কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা থা অসিগী ৩দা লৈখিদববু অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অসিদা মেম্বরশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা লৈখিদবগী থৱায় মিরেলনা তাইবঙ মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## রগবিগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন রগবি ফুটবোল য়ুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা ভুবনেশ্বরদা লৈবা কে আই আই টি য়ুনিভর্সিটিদা দিসেম্বর ১৭তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা সিনিয়র নেসনল রগবি সেভেন্স চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম শেম্মনবা ট্রায়ল কম সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৭তা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মগী গেট নম্বর ১৪দা অয়ুক্কী পুং ৭তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা হান্নগী নেসনল প্লেয়রশিংনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এমেচর রগবি এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

## সশিকরন ২শুবা পোজিসনদা লৈরি

রিগা, নবেম্বর ০৪ (এজেন্সী): লাটভিয়াগী সিটি রিগাদা পাঙথোক্লিবা ফিদে গ্রান্দ স্বিস চেছ টুর্নামেন্টকী ওপন ইভেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর কে সশিকিরন ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবকা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা শান্নরোয় ২গা পূন্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

সশিকিরননা লাগ্রেবকা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু মুভ ৩০দা দ্রো চৎপদা য়ানখিবনি। সশিকিরননা ৮শুবা রাউন্দদা ইরানগী শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজাগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় নিহাল সরিননা অর্মেনিয়াগী গেব্রিএল সার্গিসিয়নগা দ্রো চৎখি। লোয়নননা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় পি হরিকৃষ্ণনা রসিয়াগী শান্নরোয় মেক্সিম চিগাপপু থোইদুনা পোইন্ট ৪.৫ ফংলি।

## হাইলো ওপনদা স্রিকান্ত অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

সার্ব্রুকেন, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): জর্মনিগী সিটি সার্ব্রুকেনদা পাঙথোকপা মমাংদা সারলোরলুক্স ওপন হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্না হাইলো ওপন হায়না খঙনরবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্ত মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয় অজয় জয়রাম, সুভাঙ্কর দে অমসুং সৌরভ বর্মা মায়থীহৌরে।

কিদম্বী স্রিকান্তনা ঙসি শান্নবা অহানবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় কোকি ৱাটানাবেবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৫, ২১-১০দা থোইখি। মহাক্না ঙসি অনীশুবা রাউন্দ শান্নবদা সাউথ কোরিয়াগী লি দোং ক্যুনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা ২১-৯, ১৯-২১, ২১-১০দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।


অজয় জয়রাম ঙরাং অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী শান্নরোয় রাস্মস জেমকেনা ২১-১৪, ১৯-২১, ২১-১৬দা থোইরমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুভাঙ্কর দেনা অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় লি দোং ক্যুনগা শান্নবদা ১১-২১, ১৬-২১দা মায়থীহৌবনি। ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী থোমাস রোজেলবু অহানবা রাউন্দদা ২১-১৭, ২১-১৪দা মায়থীবা পীখি। অদুবু অহানবা রাউন্দদা ৱাকওভর ফংখিবা সৌরভ বর্মা ঙসি শান্নবা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় কান্টাফোন ৱাংচারেনগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবী স্রিকৃষ্ণ প্রিয়া কুদরাভালি অহানবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় মারিয়া উলিটিনাগী মখূৎতা ১৮-২১, ১৪-২১দা মায়থীহৌখি। মহাক্কী টিমমেট অকর্সি কশ্যপসু অহানবা রাউন্দদা টর্কিগী শান্নরোয় নেস্লিহান য়িজিটকী মখূৎতা ৭-২১, ২১-২৩দা মায়থীহৌখি।

নুপাগী দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী প্যের অনীমক মায়থীহৌখি। কোনাতরুন অমসুং সিবম শর্মা দেনমার্ককী প্যের দেনিএল লুনগার্দ অমসুং মাথিয়াজ থাইলিগী মখূৎতা ১৬-২১, ১৮-২১দা মায়থীহৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্যের মনু অত্রি অমসুং সুমিট রেদ্দি ইংলেন্দগী প্যের বেনলেন অমসুং সোন বেনিদগী মখূৎতা ৯-২১, ১১-২১দা অহানবা রাউন্দদা মায়থীখি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী প্যের অস্বিনি পোনাপা অমসুং সিকিরেদ্দি অহানবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী মারিয়া ষ্টোলিয়ারেনকো অমসুং য়েলজাবেটা ঝর্কাবু ২১-৮, ২১-১৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী প্যের সুমিট রেদ্দি অমসুং অস্বিনি পোনাপা অহানবা রাউন্দা মায়থীখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 280

GM Kovalev, Vladislav (2634) - GM Kuybokarov, Temur (2549)
FIDE Grand Swiss 2021 Riga LAT, 2021.11.03

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 | 4.Ba4 Nf6 | 5.O-O Bc5 |
| 6.c3 b5 | 7.Bb3 d6 | 8.a4 Bg4 | 9.h3 Bh5 | 10.d3 Na5 |
| 11.Ba2 b4 | 12.Nbd2 O-O | 13.Nc4 Nxc4 | 14.Bxc4 bxc3 | 15.bxc3 c6 |
| 16.d4 Bxf3 | 17.gxf3 exd4 | 18.cxd4 Bb6 | 19.Be2 c5 | 20.a5 Bxa5 |
| 21.dxc5 Bc3 | 22.Rxa6 Rxa6 | 23.Bxa6 dxc5 | 24.Qxd8 Rxd8 | 25.Be3 Bd4 |
| 26.Rd1 Kf8 | 27.Bc4 Ke7 | 28.Rb1 Nd7 | 29.Rb7 Rb8 | 30.Ra7 f6 |
| 31.Bf4 Be5 | 32.Bd2 Rb2 | 33.Ba5 Bd4 | 34.Ra8 Ne5 | 35.Ra7+ Ke8 |
| 36.Ra8+ Kd7 | 37.Ra7+ Kc6 | 38.Bd5+ Kb5 | 39.f4 Nf3+ | 40.Kg2 Nh4+ |
| 41.Kg3... | | | | |

**QUESTION :**
Black to Win

**Puzzle 279 Ans. :**
22. ...Rae8 23. Qxf7+ The white queen forks Black's rook and king. The white queen deflects Black's rook away from protecting the rook. Opening the line from e8 to g8. Rxf7 24. Rxe8+ Rf8 25.Bd5+ The white bishop attacks Black's king, which is defending Black's rook.Kh8 26. Rxf8# Back-rank mate
23. Qxf7+
1-0

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


### নিংঙোল ওইবীশিংগী মোমোন নোকচগদবা থাবুম অসি করম থোক্লগদবা...!



লমদম অসিগী ওইনা নিংঙোল ওইবিশিংগী খ্বাইদগী হরাউ মথোই কাজবা মায়থোংদা মোমোন নোকচবা থানি হিয়াঙ্গৈগী নিংঙোল চাক্কৌবা থা, অদুবু কুমসি চহীগী ওইনা নিংঙোলশিংগী থম্মোয়দা মপাম লমদম চৎলনি মবুং-মৌপ্বা, শাগৈ-নাতৈ কয়া পুঞ্জদুনা হরাউ-মথোই কাজগদবা থাবুমসে হৌজিক লমদম অসিগী ওইরিবা ৱাথোক-লান্থোক কয়া অসিনা নিংঙোলশিংগী থম্মোয়দা অমদি মমা-মপা মবুং-মৌপ্বা কয়াগী থম্মোয়দা করি ফাওরমগনি? অৱা-অনা কয়া নংখ্রে, লায়না লাইচৎ কয়াসু তুংওইননা হরাউ-মথোই কানরি। মালেমগী লমদম কয়াদা শাফু পীরিবা অথোইবা অথৌবা অফবা কয়াগী পুন্সিবু মাঙহনখ্রবা কোভিদনা কদোমদা, হীরম খুদিংগী তঙাইফদবা পোৎলম-পোৎচৈ কয়াগী মমলনা অতিয়া পক্না মমল ৱাংলবা লায়রবা কয়ানা হা কারবা ঙসিগী খুন্নাইনা কদোমদা? নোংমগী হিংনবা হোৎনজরিবা কয়ানা কদোমদা করম্না হিংলি। লায়না লাইচৎ কয়াগী শাথিরবা শাফুনা লাকহৎলবা ঙসিগী লমদমগী খুন্নাইগী পুন্সিরোলনা কদোমদা কনানসু হায়বা ঙমদ্রি। লমদম অসিগী তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয় খুন্নাইগী পুন্সিনা কদোমদা মণিপুরগী শক্তম্মা কনানা ঙাক্কনি। অপিকপদৈ হৌরগা অচৌবা ফম্নাইবা ফমদোনবা কয়ানা করি খল্লি, করি তৌরি মীয়াম্মা নুমীৎ খুদিংগী তারবা-উরবা কয়াসিনা কদোমদা?

❒ মণি নিংথৌজম, লফুপাৎ তেৱা

### 'নিংঙোল চাক্কৌবা' মীং অসিমক তাবদা নুংশিবা কাউবা ঙম্লরেহিদবা থৌদোক অমনি



'নিংঙোল চাক্কৌবা' মীং অসিমক তাবদা নুংশিবা কাউবা ঙম্লোইদবা ৱারিনা মুৎপা নাইদনা তাইবঙদা লৈহৌরগনি। থৌদোক অসিমক্তি লাই হাক্তগী চৎনদুনা লৈখ্রে হায়বা ৱারিনা তাকখ্রবনি। অসিদসু নত্তনা অরিবা মৈহৌরোলগী ৱারিনসু নিংঙোল চাক্কৌবগী নুংগী ওইবা ফজবা ৱারি কয়ানা ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লৈরিবনি। নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা অসিনা ঙসিগী খুন্নাইদা অকায়বা কয়ামরুম পীবা চাক্কৌবা হায়বদু ওইরে। মদুদি মতম অমগী মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বাশিংনা ময়ুম পানখিবা মচল-মচাশিংবু নুংশিনা অঙম্বা খুদোল অমখক্কা লোয়নননা নুংশিন্নবা চাকচারা অমত্তং হাওবা-হাওতবা থিদনা চামিন্নবগী নুংশিবগী মরিদো তৎনখ্রে। মতম অমদা চৎনরম্বা দক্ষিনাগী মওং ঙসিগীদি উদ্রে। মতম অমদা চান্নরম্বা চাক-এঞ্জুং হৌজিক চান্নদ্রে। অওনবা চাক্কৌবা অমা ওইরে। চাক্কৌবদা লমজেল তান্নবী ওইরে। মবুংশিংনা ঙমজবা খুদোলপোৎ পিবদা হেনবা তান্নরে। অওনবা অমা ওইরে। মসিনা অসুক ফজখ্রবা নুংশিখ্রবা নিংঙোল চাক্কৌবগী ৱারিসি মতম খরগী তুংদদি নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরমসি মমিং হোংলকপা য়াই। ঙসি ঐখোয়গী লৈবাক্তা হান্না তৌনরম্বা কয়া অমা ঙসিদি মীং হোংদোক্তুনা চৎনবা কয়া লৈরে। হায়জনিংবা অমনা ঙসিগী নিংঙোলশিংনা মমা-মপাশিংনা মতম অমদা লৈনরম্বা মমা-মপা, মবুংশিংগা, মচল-মচাশিংগা লৈনরম্বা মরিশিংবু তৎনদনবা অঙম-অঙম্বা দাক্ষিনা পীবদা নিংঙোল ওইবিশিংনসু হরাউনা ৱাৎতবা বর পীবিরম্মু। চাক্কৌবগী নুংগী ওইবা মরি অসি ঙসিগী মীরোন্না তৎতনবা থমসি।

❒ ওইনাম কুঞ্জেশোর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫ । ১১ । ২০২১ ইং, ইরাই;
হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা।

**মেষ :** মীকোক থোংবা খরা ৱাগনি অমদি নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। লালোন ইতিক্তদি চাওনা শেন্দোং ফংগনি, মীয়াম্না চানবীগনি অমদি লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ :** চিংনগনু লম্ খূদিংদা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি কনানসু মায়থিবা পীবা ঙল্লোই। ইমুং-মনুংগী মরীসু ফগনি অমদি থৌনা লিংজেল ফূদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন :** হৈ-শিংনা চৎচরদি মাংনিংঙাই লৈতে। মরম চাদনা চীন য়াওরুনু অমদি অরং-অরাক্কী লম্দা মরুপ-মপাংনা ইনশিনবা লৌগনু-খন্থরগা থৌ পাঙউ ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

**কর্কট :** মরুপ-মপাং অমদি মীয়ামগা ৱাখল মান্নদবা খরা লৈগনি। অঙম্বনদি চানবীগনি অমদি থাজদবা মরমদগীসু ওইজবদি ফংগনি। লৌশিংনা উপাই ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ :** নীংবা শোয়দনা থুংগনি অমদি হোয়া ফবা/খূৎ চাওবগীসু কান্নবা ফংগদবা নুমীৎনি। মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি কিদবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা :** চীন য়াংবনা নরল চৎপা য়াবা অমদি পাঙনিংবা থবক পাঙবা ঙমদবা লৈগনি। অদুবু খোইরাংবা, ফাথবা অমদি খাঙবা কনবনা থোইনা য়াইফগনি-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

**তুলা :** হরাওবা, ৱাখল থোকপা অমদি অনীংবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইবা লৈগনি। লৌশিং ফূদোক্না থৌ পাঙবা ৱাগনি -অরুবা থবক্তদি লৌশিং চাওবৈ ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**বৃশ্চিক :** ইমুং-মনুংদা হুরানবা চঙবগুম অমদি অনীংবা থবক পাঙবা ঙমদবৈ ৱাবা লৈ। অদুবু ইমং-মনুং তান্নরগা/মীয়ামগা লোয়নরগা পাঙলদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু :** মীংচৎ ফংবা, শেন্দোং য়াম্না লৈবা, নথক থোংবনা চানবীবা অমদি পাঙঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবা নুমীৎনি। নচা-ননাই চাওখৎপা, লাইবক ফবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মকর :** লাইবক ফবনা অনীংবা থবক পাঙগনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি অনৌবা পোরম শীনবা মতাং চাগনি। লৌশিং ফূদোকপদি ঙমদে-নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ :** মরুপ অমদি মীয়াম্নতা নত্তনা লাই-গুরুনা ফাওবা চানবীগদবা নুমীৎনি। অদুবু হুরানবদৈদি চেকশিল্লু অমদি লৌশিং চাওবা শাগনু-চাদিং হেন্না তৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন :** নক্লবা অমদি মরী-মতানা চানবীবা লৈ। মীয়ামগী মতেংনা থৌ পাঙবসু লৈগনি। য়েক্লবনদি ঙসিসু তাথীবা অমদি মৈদগী অকিবা নংবা লৈ। খূৎ চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## রোৱিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন


ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মহারাষ্ট্রগী পুনেদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯লকশুবা সিনিয়র অমসুং ২৩রকশুবা ওপন নেসনল রোৱিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী টিম শেম্মনবা সেলেক্সন ট্রায়লগী অহানবা ফেজ থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা টাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ট্রায়ল অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা রোৱরশিংনা লুপা ৫০গী ফী পুরক্কদবনি হায়রি।

## পাৱর লিফটিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৭তা নিংঙোমথোংদা লৈবা রোয়ল জিমদা সুব্রতা ক্লাসিক নেসনল (মেন এন্দ ৱিমেন) গী অন ইক্বিপ্ট পাৱর লিফটিং শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী লিফটর খন্ননবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না পাৱর লিফটিং এসোসিএসন মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা পাৱর লিফটিং এসোসিএসন মণিপুরগী মখাদা লৈবা জিমশিংগী প্লেয়রশিংনা মতম চানা লাক্তুনা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াননবা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি আর কে রাকেশকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com